ফূবদা মপা শিরে

কৌশম্বি, জুন ২১ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশকী কৌশম্বি দিষ্ট্রিক্টতা ইংখোল অমসুং লন-থুমগা মরী লৈননা মচানুপাশিংনা ফূবদা মশাগী চহী ৬১ শুরবা থবক্তগী পোথারবা রেলৱে ইমপ্লোয়ী অমা শিখ্রে।

লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মিং বাইজনাথ কৌই। মহাক মনহনপুরদা লৈবনি। কৌশম্বি পুলিসনা ফোঙদোরকপদা মচিন-মনাও অহুমগী মনুংদা খ্বাইদগী ইতোন তোনবা নরেন্দ্রনা মহাক্কী ময়াম্বা অনী সুরেন্দ্র অমসুং ভিরেন্দ্র অমদি মখোয়গী লোয়নবীশিংবু ইংখোল অমসুং লন-থুমগা মরী লৈননা মহাক্কী মপা বাইজনাথ হাৎপগী মরাল শীবদগী ইমুংগী মীওইশিং ৱাহং-পাউহং চত্থরি। শিবগী মরম চপ চানা খঙদোক্লবা অশিবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা থাখি।

নরেন্দ্রনা পুলিসতা হায়খি, অহল-লমনশিংদগী তোঙান্না লৈখ্রবা মহাক্কী ময়াম্বা অনীনা নোংমাইজিং নুমিত্তা মপাগী মনাক্তা হাথু-হাথু চঙশিনখি। মদু মপানা লৌবূক্তগী যূমদা ষণগী শজিক পুরকখিবা মতম্লি। ময়াম্বা অনীনা মপাবু মখোয়গী যূমদা পুরগা চৈনা ফূখি। থৌদোক অদু খঙলকপদগী নরেন্দ্র অমসুং মমা রিতা সুরেন্দ্রগী যূমদা চঙশিনখি অমসুং মখোয়না মপাবু রেস্ক্যু তৌখি। নরেন্দ্রনা মপাবু মনাক নকপা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি। তৌইগুম্বসুং দোক্টরশিংনা মহাক শিরে হায়রকখি।

ব্রেন দেদ ওইরবা ১না মীওই ২ কনখ্রে

চেন্নাই, জুন ২১ (এজেন্সী):
মশাগী চহী ২৭ শুরবা ব্রেন দেদ ওইরবা নহা অমনা চেন্নাইদা লৈবা এম জি এম হেল্থক্যেরদা পেসেন্ট অনী কনখ্রে। ব্রেন দেদ ওইরবা মীওই অসিগী ওর্গানশিং শীজিন্নরগা পেসেন্ট অনীদু কনখিবনি।

প্রাইভেট হোস্পিটাল অমা ওইরিবা এম জি এম হেল্থক্যেরনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, নহা অদু লম্বীগী এক্সিদেন্ট অমদা ত্রোমেটিক ব্রেন ইঞ্জুরি থোকপদগী সালেমদা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা এদমিট তৌখি। এক্সপর্টশিংনা ফনা কন্না হোৎনদুনা মহাক ব্রেন দেদ ওইরে হায়না লাউথোকখি।

ব্রেন দেথকী সর্টিফিকেট অমগা লোয়ননা ইমুংগী মীওইশিংদা নীংথিনা কাওন্সেলিং তৌরবা মতুংদা মখোয়না মহাক্কী ওর্গানশিং মীওই খরগী থৱায় কনবা য়ানবা দোনেসন তৌবগী ৱাফম য়াখি। এক্সিদেন্ট ভিক্টিম অদুগী হার্ট অমসুং লংস সালেমদগী এক্সপর্ট টিম অমনা লৌথোকখি অমসুং ওর্গান অনীমক পুনবা সালেম অমসুং চেন্নাইদা গ্রীন কোরিদোর অমা শেমখি। এম জি এম হেল্থক্যেরগী মতুং ইন্না ওর্গানশিং অদু হেলিকোপ্টর শীজিন্নদুনা পূং অনী য়ৌদবগী মনুংদা সালেমদগী চেন্নাইদা পুখি। এম জি এম হেল্থক্যেরগী এক্সপর্টশিংনা থৱায় কনগদবা সজ রিশিং পাঙথোক্তুনা অরুবা পেসেন্ট অনী অনৌবা মপোক্লম্না হিংহনখি।

লাইনিং লম্বী ওন্থোকহল্লম্বা ২ ফারে

লক্ষ্নৌ, জুন ২১ (এজেন্সী):
মীওই ১০০০ হেন্না নমদুনা মখোয়গী লাইনিং লম্বী ওলহনখিবনি হায়বা মীওই অনী উত্তর প্রদেশ এ টি এসনা দেল্লীদগী ফাখ্রে। এক্যুজ অনী- উমর গৌতম অমসুং জহাঙ্গিরনা নন-মুসলিম ১০০০ হেন্না নমদুনা ইস্লামদা লাইমিং লৌহনখি। মখোয়নিগী মনুংদা অমনা পুলিসতা ফোঙদোকখিবদা মহাক জামিয়া নগরগী বাতালা হাউসতা লৈবনি অমসুং মশামকসু হান্নগী লাইনিং লম্বীদা ইস্লামিক লাইনিংদা লাইমিং লৌখি।

এ দি জি (লো এন্দ ওর্দর) প্রশান্ত কুমারনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লক্ষ্নৌদা প্রেস কনফরেন্স অমদা হায়, ষ্টেট অসিদা মীয়াম্বু নমদুনা ইস্লামদা লাইমিং লৌহনবা রেকেট অমা লৈরে। হৌজিক ফাওবদা মীওই ১০০০ রোম মখোয়গী হান্নগী লাইনিং লম্বীশিংদগী ইস্লামদা লাইমিং লৌহনখ্রে হায়বসি কুমারনা কনফর্ম তৌখি।

এ দি জিনা মখা তানা হায়, মীওই অনী অসিনা লায়রবা ইমুংশিং, থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিং, অমসুং হেন্দিকেপ ওইরবা মীওইশিং মরু ওইনা না তাথিরবা অমসুং ঙাওবা ঙমদ্রবা মীওই অমদি অঙাংশিংদা টার্গেট তৌদুনা নমদুনা মখোয়গী লাইনিং লম্বীশিং ওন্থোহকহল্লি। পুলিসকী মতুং ইন্না মীওই কয়া শেল অমদি হিংনবগী খুদোংচাবা লম্বীশিংদা মীকাহন্দুনা মখোয়গী লাইনিং লম্বীশিং হোংহনখি। নুপী কয়াসু মখোয়গী লাইনিং লম্বী হোংহন্দুনা ময়ূম পালহনখি হায়রি।

অঙাংশিং অমসুং মশা ইনখৎলক্লিবশিং খ্বাইদগী থুনা ভেক্সিন কাপথোক্লবা এক্সপর্টশিংনা সজেসন পীখ্রে

চেন্নাই, জুন ২১ (এজেন্সী):
টামিল নাদু ষ্টেট পব্লিক হেল্থনা পাঙথোকখিবা ষ্টদিশিংদা ষ্টেট অসিগী কোভিদ পোজিটিভ কেস অয়াম্বা দেল্টা ভেরিএন্টনা থোকহল্লি হায়বসি খঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা অঙাংশিংদা ভেক্সিনগী চাংয়েং লোইরবা মতুংদা অঙাংশিং অমসুং মশা ইনখৎলক্লিবা নহাশিং য়ারিবমখৈ থুনা ভেক্সিন কাপথোক্লবা এক্সপর্টশিংনা সজেসন পীখ্রে।

ষ্টদিশিং অদুদা দেল্টা ভেরিএন্টনা অঙাংশিং অমসুং ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদনা হেন্না শোকহল্লি হায়বসি খঙবা ঙমখি।

ষ্টেট পব্লিক হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট অমনা হায়, দেল্টা ভেরিএন্ট খঙদোক্লবা পূন্না সেম্পল ৫৫৪ টেষ্ট তৌদুনা জিনোমিক সিক্বেন্সিং চত্থবদা সেম্পল ৩৮৬ ষ্ট্রেন অসিগী ইনফেক্সন লৈরে হায়বসি খঙখি। দেল্টানা ভেরিএন্টনা শোক্লবা সেম্পল ৩৮৬ অসিগী মনুংদা ৮৬তি চহী ১৮ মখাগীনি। মসিনা টেষ্ট তৌখিবশিং অদুগী চাদা ২২ চহী ১৮ মখাগীনি হায়বসি উৎলি।

ভাইরোলোজিষ্ট সুচিত্রা মেনননা হায়, নীংথিনা চাংয়েং তৌরবা মতুংদা খ্বাইদগী থুনা অঙাংশিং ভেক্সিন কাপকদবনি। ভেক্সিন কাপ্পদা অঙাংশিংদা খুদোংথীবা নংবা য়াই হায়বা উৎপা দেটা লৈতে। অদুম ওইনমক অঙাংশিংদা সেফ ওইদবা অকক্লবা ভেক্সিন খরা লৈ। মসি কূপ্না ষ্টদি তৌবা চঙই।

এক্সপর্টশিংগী মোততি চাংয়েংশিং পাংথোকপা লোইরবা মতুংদা চহী ১৫দগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং অহানবা রাওন্দদা ভেক্সিন কাপকদবনি হায়বসিনি।

মেনননা মখা তানা হায়, ইন্দিয়াদা অঙাংশিংনা কাপ্পবা ভেক্সিন এপ্রুভ তৌবদা চহী অসিগী দিসেম্বর ফাওবা মতম লৌবা য়াই। তৌইগুম্বসুং মপান্দগী ভেক্সিন লৈরগা অঙাংশিংদা কাপ্পগী ওপসন লৈ।

নেসনল কেপিটেলদা লৈবা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)না চহী ১৮ মখাগী অঙাংশিংদা ভেক্সিন চাংয়েং চত্থরিবনি। পুনেদা লৈবা সেরম ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়াদসু রিছার্চ চত্থরি। এক্সপর্টশিংনা হায়রিবদি, ঐখোয়গী ভেক্সিন চাংয়েংগী থাক্তা লৈরিঙৈসিদা মপানগী ভেক্সিনশিংনা ঐখোয়গী অঙাংশিংদা ভেসিক্সন কাপ্পা হৌবা য়াই। এক্সপর্টশিংগী মতুং ইন্না, চাইনাগী সিনোভেক অসি অঙাংশিংদা কাপ্পদা ইফেক্টিভ ওই। ফাইজরগী ভেক্সিনসু অঙাংশিংদা কাপ্পদা কান্নে।

তৌইগুম্বসুং ভেক্সিনশিং অসিবু ইম্পোর্ট তৌবা হায়বসি য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী পোলিসিশিংগী মখা পোল্লি। মদুরাইদা লৈবা মেদিকেল কোলেজ অমগী ভাইরোলোজিষ্ট দীপেশ রাজনা হায়, অঙাংশিংদা ভেক্সিন কাপ্পগী মতাংদা পোলিটিকেল ৱারেপ অমা লৈগদবনি। মমাঙদা এক্সপর্টশিংনা ফোঙদোকখিবা মতুং ইন্না দিসেম্বর য়ৌদ্রিফাওবদি ইনিদয়াদা অঙাংশিংদা কাপ্পা য়াবা ভেক্সিন লৈখিরোই। মরকসিদা দেল্টা ভেরিএন্টনা শোকহল্লকপা য়াবগী অকিবা হেনগৎলক্লিবসি য়েংদুনা চহী ১৮ মখাগী অঙাংশিংবু ভেক্সিন থুনা কাপ্পা হায়বসি য়াম্না মথৌ তারকই।

ইলিগেল বম্বুলা শাফমদা পোকখায়বদা মীওই ৩ শিরে

চেন্নাই, জুন ২১ (এজেন্সী):
নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্তা সুতুরগী থায়িলপাতি ব্লোককী মনুং চনবা কলাইগনার কোলোনিদা লৈবা ইলিগেল ওইবা বম্বুলা শাফম অমদা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক অমদা চহী মঙাগী নুপামচা অমা য়াওনা মীওই অহুম শিখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা লোকেল পুলিসনা হায়, বম্বুলা শারিঙৈ মনুংদা পোকখায়বা অমসুং মৈ চাকপগী থৌদোক অদু থোক্লকখিবনি। পুলিস ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না, মশাগী চহী ৩৫ শুরবী নুপী সেলভামনি, মহাক্কী মচানুপা অমসুং কষ্টগম কৌবা মশাগী চহী ৩৫ শুরবা মীওই ১পূন্না মীওই ৩ মৈনা কানা চাকখি। থৌদোক অদুদা শোকখিবা মীওই অনী- সূর্য়া অমসুং প্রভাকর সিকাকাসি গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালদা এদমিট তৌখি।

দিষ্ট্রিক্ট ফায়র ওফিসর গনেশনা লুচিংবা ফায়র টেন্দর য়ুনিট অহুমগী টিম অমনা মখা তানা পোকখায়বা থোক্লনবা মফমদুদা লৈরম্লিবা পোৎলমশিং হোন্দোকপগা লোয়ননা অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিংসু তকথোকখি। থৌদোক অদুদা ইলিগেল ওইবা বম্বুলা শাফম অদু য়াওনা যূম মরি মাঙ-তাকখি। সরভানম কৌবা এক্টিভিষ্ট অমনা ফোঙদোরকপদা ইলিগেল ওইবা বম্বুলা শাফম কয়া মফম অদুদা লৈ। য়ুনিটশিং অদু লৌথোকখিনবা গভর্ণমেন্টতা হায়জবশিং তাবীদে।

মৈ চাকপদা মীওই ৬ থিবা খঙখিদ্রে

ন্যু দেল্লী, জুন ২১ (এজেন্সী):
দেল্লীগী চিদাইদা লৈবা পীরাগরি উদ্যোগ নগরগী খোঙউপকী ফেক্টরি অমা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্তা মৈ চাকখ্রে।

মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না, মৈ চাওনা চাক্লিবদু মুখৎনবা পূন্না ফায়র টেন্দর ৩১ অমসুং ফায়র ফায়টর ৫০ হেন্না মফম অদুদা চঙশিনখি। দেল্লী ফায়র সর্ভিসেস ৫ (পি এফ এস)কী চীফ অতুল গর্গনা ফোঙদোরকপদা শোকপা-পনবা অমসুং শিবগী পাউ লৈত্রিবা ওইরবসু ফেক্টরিগী ইমপ্লোয়ী তরুক থীবা খঙখিদ্রে।

অতুল গর্গনা মখা তানা হায়, মদু মৈ চাকপগী অচৌবা থৌদোক অমনি। ফায়র ফায়টিং ওপরেসন অদু নুমিদাং অথেংবা ফাওবা চথবা য়াই। অশোকপা অমদি অশিবা হকচাং অমত্তা থেংনদে। ফেক্টরি মপুনা ৱর্কর তরুক থিবা খঙখিদ্রে হায়রক্লি। মখোয়গী মনুংদগী থোকপা য়ারমদবা য়াই। তৌইগুম্বসুং হৌজিক মদু কনফর্ম তৌবা ঙমদে। পীরগহি উদ্যোগ নগরদা লৈবা খোঙউপকী ফেক্টরি অমদা মৈ চাক্লে হায়না অয়ূক পূং ৮.২২ তাবদা ফায়র কন্ট্রোল রূমদা কোল তৌদুনা খঙহল্লকখি। মফমদুদা ফায়র টেন্দর ২৪ হান্না থাখি। মদুগী মতুংদা অহেনবা ভেহিকল ৭ থাজিনখি।

লৌমীশিংগী খোঙজং মাঙওইননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে

চেন্নাই, জুন ২১ (এজেন্সী):
লৌমীশিংগী প্রোটেষ্ট মনুংদা ঈরাং থোক্লকপা য়াই হায়বা ইন্টলিজেন্স পাউ ফংবদগী টামিল নাদুদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কনখৎখ্রে।

সময়ুক্ত কিসান মোর্চা অমদি অতৈ লৌমীশিংগী ওর্গনাইজেসনশিং, ট্রেদ য়ুনিয়নশিং অমসুং সোসল ওর্গনাইজেসনশিংনা জুন ২৬তা লৈবাক শীন-থুনা রাজ ভৱনশিংগী মমাঙদা ৱাকৎ মীফম ফম্নবা থৌরাং তৌখ্রবনি।

খোঙজং অদুগী মনুংদা ঈরাং থোক্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়বসি সেন্ট্রেল ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিং অমসুং টামিল নাদু ষ্টেট ইন্টলিজেন্সনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা ব্রীফ তৌদুনা খঙহনখ্রে।

এজেন্সিশিংগী রিপোর্ট অদুবু হকচিন্না লৌরদুনা টামিল নাদু ষ্টেট পুলিসনা চেন্নাইদা লৈবা রাজ ভৱনগী সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং হেনগৎহনখিবগা লোয়ননা কুদনকুলম ন্যুক্লিয়র প্লান্ট অমসুং কলপাকমদা লৈবা মদ্রাস এটোমিক পাৱর প্লান্ট য়াওনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ইন্সটিট্যুসন পূম্নমক্তা সিক্যুরিটিগী অহেনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে।

সেভ এগ্রিকলচর, সেভ দিমোক্রেসি হায়বা খোল্লাওগা লোয়ননা জুন ২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা সময়ুক্তা কিসান মোর্চাগী ৱাকৎ মীফম অদু ভাইওলেন্ট ওইরকপা য়াই হায়বা পাউ ফংখি অমসুং ফার্ম লো অহুমগী মায়োক্তা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকখিবা খোঙজংদা শরুক য়াখিবা টামিল নাদুগী মীওইশিংগী পাউ ইন্টলিজেন্সনা গভর্ণমেন্টতা পীখি।

অকিবা কোকহন্নবা সেন্টরনা কোভিদ ভেক্সিন এৱেয়রনেস কেম্পেন হৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুন ২১ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিগী মনুং হঞ্জিনবা অমসুং রুরেল এরিয়াশিংগী মীওই-শিংনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পিংদবা হেনগৎলকপগী ফিভম অমা লৈরিবসি য়েংদুনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবা অমসুং ভেক্সিনেসন এক্সরসাইজ অসিগী মরমদা ঙাঙনরিবা তোকঙাশিংদা থাজদনবগী কেম্পেন অমা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী হৌখ্রে।

লৈবাক অসিগী মফম শীন-থুংনা শীন-লাংলক্কদবা, কেম্পেন অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনোরিটি এফেয়র্সনা তোঙান তোঙানবা সোসিও-এদ্যুকেসনল ওর্গনাইজেসনশিং, এন জি ওশিং অমসুং নুপী সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগা লোয়ননা লোঞ্চ তৌখি।

লৈবাক শীন-থুংগদবা 'জান হাই টো জহান হাই' হায়বা কেম্পেন অদুগী পান্দমদি রুরেল এরিয়াশিং অমসুং মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা মীয়াম্বু কোরোনা ভেক্সিনেসনগী মরমদা ৱাখল তাহনবা অমসুং হৌজিক চত্থরিবা ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অসিগা মরী লৈননা মশাগীদা খনবা মীওই খরনা শন্দোক্লিবা তোকঙাশিং থাজহন্দবা অসিনি।

কেম্পেন অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা লাইনিং লাইশোনগী লুচিংবশিং, সোসল, এদ্যুকেসনল, কচরেল, মেদিকেল, সাইন্স অমসুং অতৈ লম্‌শিংগী মশক নাইরবা মীওইশিংনা মীয়ামদা ভেক্সিন কাপ্পবা মেসেজ পীরি। লৈবাক শীন-থুংনা ষ্ট্রিট প্লেশিংসু লাওগনি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা কেম্পেন অদু লোঞ্চ তৌরদুনা মাইনোরিটি এফেয়র্স মিনিষ্টর মুখতার অব্বাস নকবিনা হায়খি, লৈবাক অসিগী মফম খরদা কোরোনা ভেক্সিনশিংগী মতাংদা মশাগীদা খনবা মীওই খরনা মীয়াম্না কি-হঙ্গোইনগদবা তোকঙা কয়া শন্দোক্লি। অসিগুম্বা মীওইশিং অসি মীয়ামগী হকশেলগী মায়োক্তা লৈবা য়েক্লবশিংনি।

"মেদ ইন ইন্দিয়া" কোরোনা ভেক্সিনশিং- কোভিসিল্ড অমসুং কোভেক্সিন অসি ঐখোয়গী সাইন্টিষ্টশিংনা কন্না হোৎনবগী মহৈনি হায়না পল্লদুনা নকবিনা হায়, ভেক্সিনশিং অসি কোরোনাভাইরস থেংনবদা সেফ অমসুং ইফেক্টিভ ওইবা খূৎলায় অমনি। ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরস লাইচৎ লৈতনবা ইলিজিবল মীওই পূম্বনা ভেক্সিন কাপথোক্লবা মহাক্না আপীল তৌখি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, ষ্টেট হজ কম্মিটিশিং, ৱাকফ বোর্দশিং, মখোয়গা মরী লৈনবা ওর্গনাইজেসনশিং, সেন্ট্রেল ৱাকফ কাওন্সিল, মৌলানা অজাদ এদ্যুকেসন ফাওন্দেসন মাইনোরিটি এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী 'নাই রোশনি' স্কিমগী মখাদা থবক তৌরিবা ৱিমিন সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং, এন জি ওশিং, তোঙান তোঙানবা সোসল অমসুং এদ্যুকেসনল ইন্সটিট্যুসনশিং এৱেয়রনেস কেম্পেন অদুদা য়াওরে। ওর্গনাইজেসনশিং অসিনা কোরোনা পেন্দমিক মায় পাক্লা থেংনবা ঙম্নবা মীয়াম্বু ভেক্সিন কাপ্পবা পূক্লিং থৌগৎপনি।

ঈরাংগী মরমদা থীজিনহনবগী ওর্দর ষ্টে তৌবীয়ু হায়বদা হায় কোর্টনা য়াখিদ্রে

কোলকটা জুন ২১ (এজেন্সী):
ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মীখল মতুংগী ঈরাংদা ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা লৈরিবা মীওইশিংনা তৌরিবা কমপ্লেন্টশিং য়েংশিন্নবগী কম্মিটি অমা শেম্নবা নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এন ঐচ আর সী)দা দিরেক্সন পীখিবা জুন ১৮দা তাখিবা ওর্দর ষ্টে তৌবীয়ু হায়বদা কোলকটা হায় কোর্টকী মেম্বর মঙাগী বেঞ্চনা য়াখিদ্রে।

হায় কোর্টনা ইরাই নুমিত্তা তাখিবা ওর্দর অদুবু ষ্টে তৌবীনবা হায়জরদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থাংজ নুমিত্তা কোর্টতা ৱাকৎখিবনি।

এক্টিং চীফ জষ্টিস রাজেশ বিনাল অমসুং জষ্টিসশিং আই পি মুকর্জি, হরিশ তান্দোন, সৌমেন সেন অমসুং সুব্রাতা তালুকদার য়াওবা মেম্বর মঙাগী বেঞ্চ অদুনা হায়, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কোর্ট অসিবু থাজবা ঙমহন্দনবগী ওর্দর অদু পাস তৌখিবনি। ওর্দর অসিবু হন্দোকপা, শেমদোকপা নৎত্রগা ষ্টে তৌনবগী মরম লৈতে।

এক্টিং চীফ জষ্টিস রাজেশ বিন্দলনা ওবজর্ভ তৌখিবদা, পুলিসনা এক্সন লৌখৎখিদে হায়বা এলিগেসন কয়া লৈখিবনা এন ঐচ আর সীবু থীজিলহনবগী খোঙথাং অসি লাকপনি। ঈরাংদুগা মরী লৈননা তৌরকপা কমপ্লেন্ট অমত্তা গভর্ণমেন্টননা রেকোর্দ তৌবা লৈতে। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা কোর্টকী থাজবা মাঙহল্লি।

ষ্টেটকী অমসুং শীল্লিবা এদভোকেট জেনরেল কিশোর দত্তনা মহাক্কী সবমিসনদা রিপোর্ট য়াওদবনা মরম ওইদুনা মহাক অর্গ্যুমেন্ট নীংথিনা তৌবা ঙমদ্রে হায়খি। ঈরাংগী ফিভম ফরক্লবা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং উৎপা ঙম্নবা ষ্টেটতা অহেনবা মতম ফংনবা ওর্দর অদু ষ্টে তৌবীয়ু হায়না মহাক্না তকশিনখি।

এদভোকোট জেনরেলগী ৱাফম অদুগা মরী লৈননা বেঞ্চ অসিনা হায়খি, হৌজিক লৈরিবা ফিভমগী মতাংদা রিপোর্ট অমা ফাইল তৌরক্লবা এন ঐচ আর সীদা খঙহনখিবদনি। মখোয়না থবক অদু তৌজসনু, মদুদা করি অকায়বা লৈবগে। এন ঐচ আর সীনা শেম্বা কম্মিটিদা ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টনা সবমিসনশিং অমসুং ঈরাংগা মরী লৈননা লৌখৎখিবা এক্সনশিং থম্বা য়াই হায়নসু কোর্টনা খঙহনখি।

জুন ১৮দা তাখিবা ওর্দর অদুগী যূম্ফম ওইরিবা ময়ূমদা হঞ্জিনবা ঙমদ্রবা মীওইশিংবু খুন্দা-লৈতাহনবগী মতাংদা ৱেষ্ট বেঙ্গল ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা ফাইল তৌখিবা রিপোর্ট পীরক্তে হায়বা ষ্টেটকী সবমিসনদা কোর্টনা ঙককখি।

ষ্টেটকী ৱাফম অসিগী মতাংদা বেঞ্চ অসিনা হায়, এন ঐচ আর সীনা কমপ্লেন্ট ৫০০ হেন্না ফংলবসু ষ্টেট হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা কমপ্লেন্ট অমত্তা ফংদে হায়বসি ঙক্লিংঙাইনি। মসি করম্না ওইথোক্কদগে, ষ্টেটনা তূমীন্না লৈশিনবগী ৱাফম্নি।

কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

Location	Cases	Recovered	Deaths
Maharashtra	59,70,000+9,361	57,20,000+9,101	1,18,000+605
Kerala	28,10,000+11,647	26,90,000+12,459	12,060+112
Karnataka	28,10,000+4,517	26,50,000+8,456	33,883+120
Tamil Nadu	24,20,000+7,817	23,20,000+17,043	31,197+182
Andhra Pradesh	18,50,000+5,646	17,80,000+7,772	12,319+50
Uttar Pradesh	17,00,000+219	16,80,000+561	22,178+46
West Bengal	14,80,000+2,184	14,40,000+2,128	17,348+53
Delhi	14,30,000+124	14,10,000+398	24,914+7
Chhattisgarh	9,91,000+352	9,68,000+681	13,387+10
Rajasthan	9,51,000+144	9,39,000+512	8,895+4
Odisha	8,78,000+3,577	8,40,000+5,082	3,590+40
Gujarat	8,22,000+185	8,06,000+651	10,032+4
Madhya Pradesh	7,89,000+87	7,78,000+285	8,767+30
Haryana	7,67,000	7,56,000+357	9,246+30
Bihar	7,20,000+294	7,07,000+494	9,550+7
Telangana	6,13,000+1,006	5,92,000+1,798	3,567+11
Punjab	5,92,000+541	5,69,000+1,173	15,826+24
Assam	4,83,000+1,775	4,45,000+3,559	4,208+30
Jharkhand	3,45,000+138	3,38,000+181	5,099
Uttarakhand	3,39,000+136	3,28,000+211	7,035+9
Jammu and Kashmir	3,12,000+585	2,99,000+1,354	4,252+14
Himachal Pradesh	2,00,000+128	1,94,000+404	3,442+3
Goa	1,64,000+207	1,58,000+406	2,990+6
Puducherry	1,15,000+251	1,10,000+479	1,723+3
Manipur	**64,065+527**	**53,405+444**	**1,047+8**
Tripura	62,324+175	57,732+646	650+4
Chandigarh	61,430+27	60,271+70	806
Meghalaya	45,286+390	39,919+542	780+4
Arunachal Pradesh	33,081+158	30,407+244	159
Nagaland	24,248+57	21,889+145	469+1
Ladakh	19,805+22	19,240+90	202+1
Sikkim	19,296+87	16,306+139	293+2
Mizoram	17,605+855	13,390+532	83+7
Lakshadweep	9,443+13	9,078+39	46
Andaman and Nicobar Islands	7,406+12	7,177+15	127

IN THE COURT OF
SUB-DEPUTY COLLECTOR, KAKCHING
Ref: Mutation Case No. 208/SDC/K Dt. 01/10/2020
Thounaojam Tejendro Singh S/o (Late) Thounaojam Shyamjai Singh of Keirak. -Petitioner
-Vs-
(Late) Thounaojam Shyamjai Singh S/o (Late) Thounaojam Tomal Singh of Keirak Khongnang Leikai. -OPP

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Kakching, the 21st June, 2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ককচীং তহশিল খুল নং: ৬৫-কৈরক (১) অনৌবা পাট্টা নং. ৫৮৪, অরিবা ৩৫৯গী দাগ নং. ২২২৬কী লম হেক্টর .৪৮০৫ চাওবা ফৌরেল লৌফম (২) অমসুং অনৌবা পাট্টা নং. ৫৯৩ অরিবা পাট্টা নং. ৮৫১গী দাগ নং. ২২৮৮গী লম হেক্টর .২৩০৫ চাওবা ফৌরেল লৌফম অনী অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কক্লগা উক্ত দংকারি মচানুপাগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা কেস অসিগা মরী লৈননা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৯/০৬/২০২১ ইংগী অয়ূক পূং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা ৱাকৎপীরকপা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কেস মখা চত্থজরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Kakching
HL-B/7004/22

ꯂꯥꯟꯅ-ꯊꯧꯔꯝ / লান্ন-থৌরম

মালেম তাইবং পূন্সি খোঙচৎতা ঐখোয় খ্বাই পূম্নমকপু কোনবিরম্বা **ওইনাম মেঞ্জর খুমন**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ, মরী-মতা অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা চৈচৎ ১৬/০৬/২০২১ কুমজা, ইঙাগী ৬নি চনবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা তাইবং শিন্থা লোইরদুনা মপূগী লৈকোন্দা লৈরাং-লৈনম ওইনা তিনখ্রে।

লাক্লিবা চৈচৎ ২০/০৬/২০২১ কুমজা, ইঙাগী ১০নি চনবা নোংমাইজিং নুমীৎতা মঙানি লৈহুন তমজরগা, লাক্লিবা চৈচৎ ২৬/০৬/২০২১ কুমজা, ইঙাগী ১৭নি চনবা থাংজ নুমীৎকী য়াইফরবা কোরৌদা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপূগী লৈকোন্দা ঈংনা চিক্লা লৈজরুনবগীদমক্তা মপূগী মিঙ্খৈরোলগা লোয়ননা লৈজবা হৈরাং-লৈরাং খরদং কৎচদুনা লান্ন-থৌরম পাঙথোকচগনি।

থৌরম অসিদা লাইগী মশক ওইরবা-ওইরবী, অহল-লমন, ইনেম-ইন্দোন, ইমা-ইবেল, ইচে-ইচল অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেংবীরক্তুনা মপূগী মিঙ্খৈরোল তাবীরনবা অমসুং হৈরাং-লৈরাং কৎপীরনবা পাউচেগী থোঙদা লৈরাং-লৈহুৎ শিন্না পাউজেল কৎচরি। পাউচেগী থোঙদা পাউজেল কৎচবগী অয়োল-অরাল খিবিক ঙাকপীগনি।

অয়ূক পূং ০৮.০০ : থৌরম হৌবা
অয়ূক পূং ১০.৩০ : থৌরম লোইবা

পাউজেঞ্জরিবশিং ঃ-
ওইনাম ইবেমহল লৈমা (লোয়নবী)
১। থোকচোম ওংবী রিতা (মচানুপী)
১। ওইনাম নবচন্দ্র খুমন (মচানুপা)
২। ওইনাম নবকুমার খুমন (মচানুপা)
৩। ওইনাম পোপী খুমন (মচানুপা)

ওইনাম অৱাং লৈকাই।
8420881951
HL-P/9955/22,23

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR
OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE FOR OBJECTION**
Imphal, the 21st June, 2021

No. Prop/SR/IW/2021: It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Thangmeiband Progressive Organisation (TAPO)"** on 21/06/2021 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "**Greater Imphal**".

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. (Further you can contact 9089297211 for any objection/quarry)

Sd/- **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West
HL-P/9953/22

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR
OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE FOR OBJECTION**
Imphal, the 21st June, 2021

No. Prop/SR/IW/2021: It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Kanglei Progressive Organisation (KAPO)"** on 21/06/2021 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "**Greater Imphal**".

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. (Further you can contact 9089297211 for any objection/quarry)

Sd/- **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West
HL-P/9954/22